HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



দিসেম্বর ১৪গী অয়ুক্তা শলুংফমদা খুল ঙাকপা অমা হাৎলগা অতোপ্পা তরুক্না ফাজিল্লি হায়বগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা চথখিবা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং শৌগৎপশিংনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা অচৎ-অওকশিং থিংখিবা

মীওইবনা থোং-থাক্লগা চারিবগী মরম করিগীনো? ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ অৱা-পোল্লোইনা লোইশিনখ্রবা ২০২৪
অহল ওইয়ু য়াদ্রবা অহল ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি অমুক হন্না রিওর্গনাইজ...
ডা. মনমোহনগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে ... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ মেন্স খো-খো টুর্নামেন্ট ২০২৪ হৌদোকখ্রে

রিমসনা শীন্দুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী সুস্থ্রা হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা 'কেপাসিটি বিল্ডিং ওন রিয়র দিজিজেস' গী মতাংদা পাঙথোকপা ত্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিং



Vol. 48, Issue No. 265 | নোংমাইজিং, পোইনুগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, December 29, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# থম্নাপোকপী মায়কৈগী নুমিৎ ৫নি শুরকপা লানফমদা কুকি টেররিষ্টশিংনা পাউমী হাৎনবা হোৎনরকখ্রে

## ইম্পেক্ট টিভিগী ভিদিও জর্নেলিষ্ট লৈমপোকপম কবিচন্দ্র স্নাইপর রাইফলনা কাপ্লকপা মরূনা পান্দুনা লায়কন্নখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৫দা পাঙথোকখিবা খৃষ্টমাস কুম্মৈগী মাঙওইননা থা অসিগী ২৪দগী হৌরদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা থম্নাপোকপী, শান্তিখোংবাল অমসুং সনাশাবীনচিংবা মফমশিংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকনবা এটেক চথরকখিবা ঙসি নুমিৎ মঙানি শুরকপগী অয়ুক্তদি কুকি টেররিষ্টশিংনা লান অসিগী পাউ লৌবা পাউমীশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা ইম্পেক্ট টিভিগী ভিদিও জর্নেলিষ্ট লৈমপোকপম কবিচন্দ্র এলিয়জ কবি (৩৩), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল জুগিন্দ্রো স্নাইপর রাইফলনা কাপ্তুনা হাৎননবা হোৎনরক্লে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। থম্নাপোকপীদা লেপ্তুনা চথরকখিবা লানগী পাউ লৌবা চৎখিবা পাউমীশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা এল কবিচন্দ্রদা উয়োক চীং লোমদগী স্নাইপর রাইফলনা কাপ্লকপা মরূ অমা মহাক্কী ওই থংবা ফৈগন্দা পানবদগী ফীভম লুনা শোকখি। মহাক হেক শোকপগা মফম অদুদা মথৌ পাঙথোকখিবা পুলিসকী বুল্লেট প্রুফ ত্রক অমদা হাপ্তুনা নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিসিটি তম্না পুরক্তুনা লায়কন্নখি। মহাক্কী অশোকপগী ফীভম লুবদগী লায়েংশঙ অসিদা এদমিট তৌবগা পন্থদনা ওপরেশন পাঙথোক্তুনা নোংমৈ মরূ অদু লৌথোকখ্রে হায়রি।

থা অসিগী ২৪দগী হৌরদুনা য়াইঙংপোকপী অমসুং থম্নাপোকপীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এসেমব্লিগী ফমগদবা সেশন মশীংগী মতাংদা অৱাই-অখুম লোইদ্রি
# লো মিনিষ্টরনা চহী অমদা সেশন অনীখক ফমগদবনি হায়রিবসি করম্বা ওথোরিটিগী মতুংইন্না হায়বনো : ও জয়



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী ওইনা চহী অমদা সেশন অনীরক ফম্বগী চৎনবী লৈ। অদুম ওইনমক মণিপুর এসেমব্লিগী ওইনদি চহী অমদা সেশন ৩ ফম্বা হায়না লোদা ময়েক শেংনা লৈজরিবা অসি ২ খক্তমক ফল্লবসু য়াই হায়না লো মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি অঙকপা পোকই হায়না ভেটরেন পোলিটিসিয়ান ওক্রম জয়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈরিবা লো অসি চৎনদ্রে হায়রবদি শেমদোক্ত্রিবা করিগীনো হায়না হংলক্লি।

ককৱাদা লৈবা ভেটরেন পোলিটিসিয়ান অসিগী য়ুমদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিগী মতাংদা ওপোজিশনগী মায়কৈদগী এসেমব্লি ফমদুনা খন্নসি হায়বা ৱাফম অমগী মতুংইন্না সেশন অনীরক ফম্বা নত্রগা অহুল্লক ফম্বগী মতাংদা রুলনা য়াই নত্রগা য়াদে হায়না মীয়াম খঙনা নৈনরক্লিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী অয়াবা মতুংইন্না মণিপুর এসেমব্লিগী ওইনদি রুলস ওফ প্রোসিজর কন্দক্ট ওফ বিজিনেসকী সেক্সন ১৭ (এ)গী মতুংইন্না চহী অমদা সেশন অহুমদগী তাদনা ফম্বা হায়বসি ময়েক শেংনা পল্লি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি হায়রিবা রুল অসি শেমদোক শাদোকপা লৈত্রিবনা মরম ওইরগা চহী অমদা সেশন অহুল্লক শোয়দনা ফমগদবনি। মসিগী মায়োক্তা লো মিনিষ্টরনা চহী অমদা সেশন অনীখক পাঙথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোরক্লিবসি করম্বা ওথোরিটিগী মতুংইন্না হায়রিবনো হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা চহী অমদা সেশন অহুম ফম্বগী মতাং য়াওদে হায়না লো মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রবসু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লাইশ্রম কমলবাবু মফম খঙখিদবগী মতাংদা লৌখৎপা কেস সী বি আইদা শিন্নবা কেবিনেট মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৫গী অয়ুক্তা মশাগী মথৌ পাঙথোক্লুনবগীদমক লৈমখোংগী ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্পসতা চঙখ্রবা মতুং নুমিৎ য়ুংলকপা মতুংদগী পাউ ফাওনবা ঙমখিদবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদগী ঙসি ফাওবা মফম খঙদনা লৈরক্লিবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী গোসাইপুরদগী লাইশ্রম কমলবাবু (৫৬) গী মতাংদা গমনোম সপরমৈনা পি এসনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ৮০ (১১) ২০২৪ অদু সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন (সী বি আই) দা শিন্নরগনি হায়না কেবিনেট মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ খরা হেল্লকপদগী নুমিদাং পুং ৮ তারমদাই ফাওবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চ্যের লৌদুনা মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফমদা খন্নগদবা লিষ্টেদ এজেন্দাশিংদা য়াওখিদ্রবসু লাইশ্রম কমলবাবুগী মতাংদা অনলিষ্টেদ এজেন্দা



ওইনা পুথোরক্তুনা মীফম্না খন্নরবা মতুংদা মহাক্কী থৌদোক অসিগী কেস সী বি আইদা শিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ঙসিগী মীফম্না লৌখিবা অতোপ্পা ৱারেপশিংগী মনুংদা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই আই আই টি মণিপুরগী বোইজ হোষ্টেলগী লমদগী একর ০.৩২ চাউবা লমগী শরুক অমা অনৌবা মণিপুর পুলিস হেদ ক্বার্টর কমপ্লেক্সকীদমক পুলিস দিপার্টমেন্টদা পীবা, রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবশিংগী মনুংদগী লৈখিদবা য়াওরকপদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা লুপা লিশীং ৩০গী শেনফম পীবা, মণিপুর ভেহিকল স্ক্রেপিং পোলিসি ২০২৪ শেম্বা, হায়র এদ্যুকেশন লোয়শঙগী মখাদা লৈঙাক্কী কোলেজশিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ১৩১ কন্ত্রেক্টুচুএল এনগেজমেন্ট ওইনা লৈরক্লি বশিং এক্সটেন্সন তৌবনচিংবা য়াওরি।

## শলুংফম থৌদোক্কী মায়োক্তা চথখিবা টোটেল শটদাউন
# ঙরাং লোইশিনখ্রে, ঙসিদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লোয়শঙশিং ছো লোনশিল্লগনি : জে এ সী

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪গী অয়ুক্তা হৈরোক পি এসকী মনুং চনবা শলুংফমগী মফম অমদা ষ্টেট ফোর্সকী কম্বাইন্দ টিম্না খুৎ থোক্লুবনি হায়বা থৌদোক্তা লাইশ্রম প্রিয়াম এলিয়জ প্রেম কৌবা নুপামচা অমা নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদবা অমসুং চৈরাক পীয়ু অমসুং ফাজিনখিবশিংবুনা কন্দিশন য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তগী চথরকখিবা পুং ২৪গী টোটেল শটদাউন ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তারকপদা লোইশিনখ্রে। চঙশিল্লিঙৈগী মনুংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদবনা মরম ওইরগা জে এ সীগী মখা তাবা খোঙজং ওইনা হয়েংদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং ছো লোনশিনবগী খোঙজং চথরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।





শলুংফম থৌদোক্কী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লোয়শঙশিং ছো লোনশিল্লগনি লাউথোকপা (ওই) লৈখিদ্রবা প্রেমগী অপোকপীনা পেন্দবা ফোঙদোকপা

অতোপ্পা মীওই তরুক ফাজিন্দুনা থল্লক্লিবগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা প্রেম লৈখিদবদা চেন্নবশিং অদুম ওইনমক জে এ সীগী চ্যেরমেন কে ঐচ ইনাওচানা ফোঙদোকখিবদা পুং ২৪গী খোঙজং অসি লোয়ননা টোটেল শটদাউনগী খোঙজংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক খরা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূন্নমক্তা লেবর কোদশিং শেম্নবা খঙহনখ্রে

**ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮ অমসুং ষ্টেট ২৮ পূন্না ৩৬তা মথং চহী ২০২৫গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা লেবর কোদশিং শেমদুনা মসিগী প্রি-পব্লিকেশন তৌনবা মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্টকী সেক্রেটরিনা মরী লৈনবা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমসুং ষ্টেটশিং অসিগী লৈঙাকশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী দিরেক্সন অসিগী মতুংইন্না লেবর কোদ ৪ লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনহন্নবা চৎলিবা শেনবা চহী অসি লোইদ্রিঙৈগী মনুংদা লেবর কোদশিং অসিগী দ্রাফ্ট রুলশিং শেম শাবা লোইশিন্নবা খঙহনখিবনি হায়রি।

# 'সঙাই' গী হৌরকফম সঙাইপ্রৌদা সঙাইগী পার্ক অমা থম্বীবা চুমগনি : এন হেরাঙম্বা

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ময়োল লমদগী খা নোংচুপ লোমদা কিলোমিটর ৫ মখায় রোম চৎলগা লৈরিবা 'সঙাইপ্রৌ' হায়না খঙনরিবা মফম অসি মণিপুরদা খক্তা নত্তনা মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা ফংদবা, মণিপুরগীসু ষ্টেট এনিমেল 'সঙাই' গী হৌরকফমনি হায়না শীংজ মৈ মখা নাওরেম লৈকায়দগী অহল ইবুংঙো মঙাংচা নাওরেম হেরাঙম্বনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

সঙাইগী হৌরকফম অমা ওইরিবা সঙাইপ্রৌদা সঙাইগী পার্ক অমা শাবীদুনা থম্বীরগদি ঙসিগী মীরোলনা সঙাইগীদমক তুংগী মীরোলদা অচৌবা খুদোল অমা তম্লম্বনি লৌগনি হায়না মণিপুরগী অরিবা পুৱারীশিং থিজিন্দুনা তুংগী মীরোলদা খঙহন্নবা হোৎনবগী অচৌবা থৌদাং লৌরক্লিবা এন হেরাঙম্বনা মখা তানা হায়, সঙাইপ্রৌগী পাক



চাউবসি চাওরাক্লা নোংপোক লোমদা কোঞ্জেং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লায়কন্নরিবা কবিচন্দ্রদা শেলগী মতেং পাংখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা থম্নাপোকপীগী মফম অমদা পাউ লৌরিঙৈদা কুকি টেররিষ্টশিংনা স্নাইপর রাইফলনা কাপ্তুনা হাৎননবা হোৎনরকপদা ওই থংবা ফৈগন্দা নোংমৈ মরূনা পানবদগী শোক্তুনা রাজ মেদিসিটিদা লায়েংলক্লিবা ইম্পেক্ট টিভিগী ভিদিও জর্নেলিষ্ট লৈমপোকপম কবিচন্দ্রগী লায়েংবদা মতেং ওইনবা আর পি আই (এ) গী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাওজমনা হোস্পিটাল অসিদা চত্তুনা অঙম্বা শেলগী মতেং পাংখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনসু মহাক্কী লায়েংবদা মতেং ওইনবা লুপা লিশীং ১০গী শেনফম মতেং পাংখ্রে হায়রি।

শেলগী তেংবাঙ অসি গ্রুপ অসিগী চীফ এদভাইজর ৱাংখেমচা শামজাইনা লুচিংদুনা লায়েংশঙ অসিদা চৎতুনা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

# লৈঙাক্না অর্বান লোকল বোদিশিংদা পীখিবা গাইদলাইনশিং হায় কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১০দা লৈঙাক্কী কমিস্নর (মাহুদ) এন জয়না থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদা ষ্টেট অসিগী অর্বান লোকল বোদিশিং/কোর্পোরেশনশিংদা শোয়দনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়না পীখিবা গাইদলাইনশিং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চৎনহন্দনা থমখ্রে।

কম্মিস্নর (মাহুদ) কী গাইদলাইনশিংনি হায়বা ওফিস মেমোরেন্দম অদুনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২১দা মশা-মশাগী নোর্মেল টর্ম লোইখ্রবা মতুংদা অর্বান লোকল বোদি/কোর্পোরেশনশিংনা লৌবা রেগ্যুলেশন পূন্নমক থবক্তা ওন্থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়না লৈরিবা লৈঙাক্কী রুলস এন্দ রেগ্যুলেশনশিং ঙাক্না চৎলিব্রা হায়বদু চ্যেক তৌনবা অমসুং এগজামিনেশন তৌনবগীদমক মাহুদ লোয়শঙদা পীখৎলক্কদবনি হায়খিবনি।

মসিদা নত্তনা অর্বান লোকল বোদি/কোর্পোরেশনশিংনা মখোয়না পাঙথোকপা মীফমদা লৌবা ৱারেপশিং অমসুং ৱারেপশিং অদুগী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোক্কদবশিং অদু শুপ্নতগী মাহুদ লোয়শঙগী অয়াবা লৌরগা পাঙথোক্কদবনি। মরম অসিনা বোদিশিং অসিনা শোয়দনা মখোয়গী মীফমদা লৌবা ৱারেপশিংগী কোপি অমা লোয়শঙ অসিদা পীখৎলক্কদবনি হায়বগা লোয়ননা বোদিশিং অসিনা মখোয়গী নোর্মেল টর্ম কুমজা ২০২১দা লোইখ্রবা মতুংদা ৱারেপ লৌদুনা থবক্তা ওন্থোকখ্রবশিংগীসু এক্স-পোষ্ট ফেক্টো এপ্রুভেল লৌগদবনি। অদুগা মাহুদ লোয়শঙগী এপ্রুভেল/কনভে য়াওদনা থবক পায়খৎপা য়ারোই হায়খিবনি।

অদুম ওইনমক থা অসিগী ১৩দা কম্মিস্নর (মাহুদ) না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## প্রিপাক (প্রো) না অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক-প্রোগ্রেসিভ) কী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল নীংশিংবনা থোরকপা চেরোল অমনা পার্টি অসিগী সেকেন্দ লেফটিনেন্ট কৈশাম পুরেন্বা এলিয়জ রামকুমারনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ২৬কী শগোলশেল নুমিৎতা ঐখোয়গী নুংশিরবা মরুপ সেকেন্দ লেফটিনেন্ট কৈশাম পুরেন্বা এলিয়জ রামকুমার, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে মনি, লৈফম সাইতোননা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা পার্টিগী বেজ-১দা লৈখিদ্রে হায়রি।

...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# লান হৌরকপদগী ফনা কুইনা কুকিশিংনা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাদোরক্লবসু ঐগী য়ূমদি য়াওখিদবনি অদুবু হৌজিক্তি তুম্নবা চাকখ্রে : ইনাওবী

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা অমা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মীদি মী মানবা, মীওইবগী লীচৎতি চত্তবা কুকি টেররিষ্টশিংনা চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরবু থুগাইরগা মখোয়গী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা য়েলহৌমী মীতৈশিংদা হকথেংননা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা কাংচুপ চীংখোঙদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবী চীঙ্খেমযুম ইনাওবী, মপুরোইবা সী ঐচ শান্তিকুমারনা পাউচে অসিদা হায়, লান হৌরকখিবা নুমিৎ



মে ৩, ২০২৩গী নুমিদাংদা নুমিৎ অসিগী নুংথিলদগী কুকি লমহেনবশিংনা লান হৌরক্লে হায়বগী পাউ তাখি। অদুবু ঐহাক্না লৈরক্লিবা কাংচুপ চীংখোঙদদি করিসু থোইদোকপা তৌখিদে। অদুবু মথংগী নুমিৎ মে ৪গী অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপা অদুৱাইদগী খঙহৌদনা কাংচুপ চীংখোঙদসু লান হৌরকখি।

মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাবা হৌরকপদগী লাঙনদুনা কোইচেন চেন্নবা হৌরকখি। ফীভমদু উবদগী ঐখোয়সু কমাই তৌসিগে হায়দুনা ইরাং লাংনৈ, তৌফমসু খঙখিদে। অদুবু থৱায় হিংনবগীদমক শাফগদবা মফমদা চেন্থোরক্তুনা লোৎখি। য়ূম অমদা অমুক চঙ, অতোপ্পা অমদা অমুক লেক্তুনা হিংনবা হোৎনখি। মীগী য়ূমদা হোং-হোংদুনা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপদা য়াম্না ৱাখি। থা ১ রোম রিলিফ কেম্প হাংদবদগী য়াম্না ৱানা লেনখি। অদুবু লান হৌরকখিবা মে থা অদুগী লোইশিল্লকপদা ফয়েং হায় স্কুলদা রিলিফ কেম্প হাংদোরকপদগী চঙশিন্দুনা চঙজফম লৌরকখিবনি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরবা মতুংদা মৈ থাবদা য়াওখিদ্রিবা ইশাগী য়ূমদা মরক-মরক্তা চৎতুনা য়েংখি। মী লৈনদবদগী মোৎশিল্লবা য়ূম শেংদোক-শেংজিন তৌজখি। মহৌশাগুম্না চঙশিন্দুনা লৈবমক ফংদ্রবসু তাঞ্জা য়েংদুনা চঙলগা ইশাগী য়ূম অদু উজবদা থম্মোয়দা খজিক্তং ওইরবসু পেঞ্জখিবনি অদুবু মমাঙ থা- নবেম্বর ১১দা কাংচুপ চীংখোঙদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মৈ থাবদা চিংখিহৌবা মীতৈগী য়ূমশিং অমুক হন্না মৈ থাদোরকপদা ইশাগী য়ূম য়াওদুনা তুম্না চাকখ্রে।

থৌদোক অদুদগী ঙসি ফাওবা নুংঙাইফম খঙদনা লৈরক্লি। হৌজিক লান অসি লোইশিল্লে হায়রবসু রিলিফ কেম্পতগী মতৌ করম্না চঙশিন্দুনা লৈরুগনি। ইশাগী য়ূম মৈ থাবদা য়াওদ্রিঙৈদদি মরক-মরক্তা চৎতুনা য়েংজখিবদা নত্তনা রিলিফ কেম্পতগী হল্লক্লবসু মহৌশাগুম্না লৈবা ফংগনি খঞ্জরম্বনি। (মথং-মথং)

# মীওই ১ মখোঙদা মৈনা চাক্লগা শিদুনা লৈরম্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৬কী অহিংদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী চিঙাই পি এসনা কোনবা ফুংচম খুলদা লৈবা মীওই অমগী য়ূমদা মশাগী চহী ৫৫ রোম শুরবা পাওরৈ খুলদগী রামকুইথিং ভাসুং অপোকপা লৈখিদ্রবা মলাসুই ভাসুম কৌবা মীওই অমা মখোঙদা মৈনা চাক্লগা শিদুনা লৈরম্লে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়বদা লৈখিদ্রবা মীওই অসি মমান্নবা অনীগা লোয়ননা ফুংচম খুলগী টুইনিপম জিমিক কৌবা মীওই অমগী য়ূমদা নুমিদাং য়ু থকমিন্নদুনা পার্টি তৌখিবনি। য়ুম্বু জিমিকনা পার্টি লোইরগা ইমুংদা চঙদুনা তূমখ্রবা মতুংদা লৈখিদ্রবা মীওই অসি মৈ তিক্তুনা লৈহৌবনি হায়রি। অদুবু জিমিককী মচানুপী অমনা খুলগী মফম অমদা খৃষ্টমাসকী কুম্মৈ য়াওরুরগা ময়ূমদা হল্লকপদা লৈখিদ্রবা মীওই অসি মখোঙদা মৈনা চাক্লগা ৱাখল তাদনা লৈরম্বা থেংনখিবনি। মহাক্কী মৈনা চাক্লল্লবা মখোঙদা ঈশিং হৈজিল্লবা ফাওবদা মহাক কৌবদা খুল্লকখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী ময়াম্বা ভি এস নিংরৈঙম (৬৬) না চিঙাই পুলিস ষ্টেশনদা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকপদগী থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

লৈখিদ্রবগী হকচাং ঙসি এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমা য়াওনা ভিদিও কভরেজ তৌরগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌরবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা ময়ূমগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫